# ইজিপ্তা ত্রেন গুরুং চৎপগী থৌদোক্তা মীওই ১১ শিরে অদুগা ৯৮ অশোক অপন নংখ্রে



কাইরো, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী) :

কাইরোগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা ইজিপ্তকী কালিয়ুবিয়া প্রোভিন্সতা ত্রেন গুরুং চৎপগী থৌদোক অমদা মীওই ১১ শিখ্রে অদুগা ৯৮ অশোক অপন নংখ্রে হায়না হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ত্রেন অদু কাইরোদগী মনসৌরাদা লৈবা নাইল দেলটা সিটি তম্না থৌরকখিবনি। নাইল দেলটা সিটি তম্না চৎপগী লম্বীদা ত্রেন অদুগী ভোগি মরি খঙহৌদনা মথক মখা ওনবগী থৌদোক থোকখিবনি হায়না ইজিপ্তসিয়ন নেস্নেল রেলৱেজনা ফোঙদোরক্লি।

নেস্নেল রেলৱেজনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মতৌ করম্না এক্সিদেন্ট অদু থোকখিবনো হায়বগী মতাংদা থিজিনবগী থবক চথুবা হৌখ্রে। ত্রেন গুরুং চৎপগী পাউ হেক ফংবগা এম্বুলেন্স ৫০ রোম মফম অদুদা চঙশিন্দুনা মী কনবগী থবক চথুবা হৌখ্রে। ত্রেন গুরুং চৎপগী থৌদোক্তা শোক্লবা মীওইশিং প্রোভিন্স অদুদা লৈবা তোঙান তোঙানবা হোস্পিটাল অহুমদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্টকী থবক চথুরি।

ত্রেন গুরুং চৎলবা মতুং মদুদা তোংদুনা লাকখিবা মীওই কয়া মথৱায় হিংজনবগীদমক অহাংবা মফমশিংদগী থোক্লুরকপা মীয়াম্না উনখি। ইজিপ্তা হৌখিবা চহী খরা অসিদা ত্রেন এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলক্লি। হৌখিবা মার্চ থাদসু কাইরোগী খা থংবা শরুক্তা ত্রেন অনী থোমজিন্নবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ২০ শিখি। অদুগা ২০০ হেন্না অশোক অপন নংখি।

চয়োল অসিগী অঙনবদসু মিনয়া অল-কামহ প্রোভিন্সকী অৱাং থংবা শরুক্তা ত্রেন অমা গুরুং চৎপদা মীওই ১৫ অশোক অপন নংহনখি হায়না নেস্নেল রেলৱেজনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা হান্নগী আর্মী জেনরেলসু ওইরম্লবা ইজিপ্তকী ট্রান্সপোর্টেসন মিনিষ্টর কমেল অল-ৱাজিরনা ফোঙদোকখিবদা ত্রেন গুরুং চৎপগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মহাকপু মফম থাদোক্নবা সোসল মীদিয়াদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্নরক্লি। মদু লাইবকথিবনি। থোকখ্রিবা লাইবকথিবা থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা থিজিনবগী থবক চথুরি অমদি রেল নেটৱার্কশিং চাওখৎহন্নবগীদমক অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। ইজিপ্তুতা ত্রেন গুরুং চৎপগী থৌদোক অসি মহাক্কী মতমদা অহানবা থোকপা নত্তে। হান্না লৈরম্বা রেলৱে ত্রেকশিং ফীভম ফৎচিল্লক্তবগী এক্সিদেন্টকী চাং ৱাংখৎলকপনি। ত্রেন লম্বীশিং শেম শাবগী থবক হৌজিক হৌজিক চথুরি হায়রি।

# অফঘানিষ্টানদা হৌজিক টেরোরিজমগী অকি অখং লৈত্রে হায়বা য়ারে: য়ু এস এনভোই

ৱাশিংটন, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানদা লালহৌবশিংনা মতম শাংনা অকায় অতোয় থোকহন্দুনা লাকখিবা অদু য়ু এসনা খূৎ থিংজিন্দুনা মতম খরা লৈরকপদগী হৌজিক্কী ওইনদি লৈবাক অদুদা টেরোরিজমনা চথবা অকি অখংগী থৌওংশিং লৈত্রে হায়না লৌবা য়ারে।

য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্তোনি ব্লিনকননা অফঘানিষ্টানদগী য়ু এস ত্রুপশিং লৌথোক্লগনি হায়না য়ু এস গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রবা মতুং মহাক্কী ৱারোল অসি থোরকখিবনি। মহাক্না ফোঙদোকখিবদা অফঘানিষ্টানদা লৈরম্বা টেরোরিজমগী ওইবা থবক থৌওংশিং অদু অতোপ্পা মফমদা চৎখিরম্লগনি। লৈবাক অসিদদি টেরোরিজমগী ওইবা থবক থৌওংশিং উদ্রে। মরম অদুনা ৱাশিংটননা মরু ওইনা হৌজিক হৌজিক চাইনানা চথরক্লিবা রিসোর্ছৱার অমদি কোভিদ-১৯ পেন্দামিক্তা অহেনবা মীৎয়েং চঙবা তঙাইফদ্রে হায়রি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা মমাং চয়োলদা অফঘানিষ্টানদা দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরিবা য়ু এস ত্রুপ ২,৫০০ রোম অদু সেপ্তেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা লৌথোক্কনি হায়না লাউথোকখিবনি। অফঘানিষ্টানদা খূৎলাই পায়দুনা লাল হৌরিবা টালিবান গ্রুপকা অফঘান গভর্ণমেন্টকা লৈবাক অদুদা ঈং তপ্না লৈনবগী ৱারী শান্নবদা অয়াবা পীখ্রবা মতুং য়ু এস ত্রুপশিং লৌথোক্নবা ফিরেপ লৌখিবনি।

অফঘানিষ্টানদা চহী কয়া য়ু এস খূৎ থিংজিন্দুনা লৈবাক অদুদা ঈং তপ্পা পুরক্নবা হোৎনখিবা অদু মহৈ য়াল্লে হায়না লৌবা য়ারে। মরম অদুনা য়ু এসনা অফঘানদা মখা তানা অহেনবা শেনফম চাদিং তৌররোই। মদুগী মহুত্তা ক্লাইমেট চেঞ্জ অমদি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবগী মতম ওইরে। য়ু এসনা অফঘানদগী মখোয়গী ত্রুপশিং লৌথোক্নবা ফিরেপ লৌখ্রবা মতুং নেটো ফোর্সশিংসু মফমদুদগী লৌথোক্লগনি হায়রি। অফঘানিষ্টান্দা হৌজিক হৌজিক নেটোগী ত্রুপ ৯,৬০০ লোম দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরি। লৈবাক অদুদা শান্তিগী ফীভম তপ্না তপ্না লাকপদগী ত্রুপশিং লৌথোক্নবা খোঙথাং মথং মথং লৌনরকখিবনি।

অমরোমদা হ্বাইট হাউসকী নেস্নেল সেক্যুরিটি এদভাইজর জেক সুলিভাননা ফোঙদোকখিবদা করিগুম্বা অফঘানদগী য়ু এস ত্রুপশিং লৌথোকখ্রবদি লৈবাক অদুগী লাক্কদবা চহীশিংদা করম্বা ফীভম ওইগদগে হায়বদুদি তম্বা ঙমদ্রে। য়ু এসনা হীরম অসিগী মতাংদা মখা তানা অহেনবা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তারি। মহাক্না ইরাক্তা থোকখিবা থৌদোক অদুবু নীংশিংলদুনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা কুমজা ২০১১ দা ইরাক্তগী য়ু এস ত্রুপশিং লৌথোকখি।

য়ু এস ত্রুপশিং হেক লৌথোকখিবগা আই এস আই এল (আই এস আই এস) ফাইটরশিংনা ইরাকপু দোমিনেট তৌখি। মদুদগী তঙাইফদনা মতমদুগী প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা ইরাক্তা অমুক হন্না ত্রুপশিং দিপ্লোয় তৌখি। প্রসিদেন্ট বাইদেননা অফঘানিষ্টানদা য়ু এস ত্রুপশিং অমুক হন্না থাবা পামদে অদুবু লৈবাক অদু তুংদা খুদোংথিবা থোরক্তনবা য়ু এসনা হোৎনফম থোকই হায়রি।



# য়ুক্রেন ঙমখৈ মনাক্তা রুসিয়না ত্রুপ ১,৫০,০০০ দিপ্লোয় তৌদুনা থম্লি

কিয়ব, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী) :

য়ুক্রেন অমসুং রুসিয়াগী তায়নবা শরুক্তা চয়েৎনবা কয়া লৈরিঙৈ মরক অসিদা রুসিয়ানা ত্রুপ ১,৫০,০০০ লৈবাক অদুগী নোংচুপ থংবা ঙমখৈগী শরুক্তা দিপ্লোয় তৌদুনা থম্লি হায়না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী টোপ দিপ্লোমেট অমনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

য়ুক্রেনগী ফোরেন মিনিষ্টরগা ঈ য়ুগী টোপ দিপ্লোমেট অসিগা ঙরাং উন্নরবা মতুং ঙসি মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি। রুসিয়াদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন অমদি য়ু এস য়াওনা ঙমখৈগী শরুক্তা দিপ্লোয় তৌদুনা থম্লিবা ত্রুপশিং অদু লৌথোক্নবা কয়ারক হন্না খঙহনবা লৈখ্রে। অদুবু রুসিয়ানা মখোয়গী ৱাফমশিং অদু তাবগী মহুত্তা অহেনবা ত্রুপশিং মখা তানা ঙমখৈ শরুক্তা দিপ্লোয় তৌশিল্লকখিবনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী ফোরেন পোলিসি চীপ জোসেপ বোরেলনা ফোঙদোকখিবদা য়ুক্রেন ঙমখৈ মনাক নক্না রুসিয়ানা মশীং য়াম্লবা মিলিটরিশিং দিপ্লোয় তৌদুনা থম্লি। ঙমখৈ শরুক্তা রুসিয়ানা দিপ্লোয় তৌবা মিলিটরিগী মশীং অসি য়ুক্রেন মনাক্তা দিপ্লোয় তৌবিরা অসিনা খ্বাইদগী য়াম্লি।

# ইস্লামিষ্ট গ্রুপনা ফাজিন্দুনা থম্লুবা পুলিস ১১ থাদোরকখ্রে

লাহোর, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী) :

ফ্রেন্স প্রসিদেন্ট ইমালুএল মেক্রোননা ইস্লাম লায়নিং চৎপশিংগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা ফ্রেন্স এম্বেসেদর এক্সপেল তৌনবা দিমান্দ তৌরদুনা রেদিকেল ইস্লামিষ্ট গ্রুপশিংনা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি।

খোঙজং চঙশিল্লিবা গ্রুপশিং অমদি পুলিসকা মুক্নবগী থৌদোক কয়া লৈবাক অদুদা থোকখ্রে। খোঙজং চঙশিনখিবা মীওইশিং অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনদুনা পুলিসনা চথখিবা থবক থৌওংশিংদা প্রোটেষ্টর ২০ হেন্না শিখ্রে। খোংজং চঙশিল্লিবা মীওইশিংনসু পুলিস পর্সনেল ১১ ফাজিন্দুনা লাকখিবনি।

টেহরিক-ঈ-লবাইক পাকিষ্টান (টি এল পি) না লাহোরদা ঙরাং চঙশিনখিবা খোঙজংবু থিংবা লাকখিবা পুলিস পর্সনেলশিং অদুগী মরক্তগী ১১ ফাখিবনি। মদুগী মতুং সোসল মীদিয়াদা থাদোরকপা ভিদিও ফুটেজ অমগী মতুং ইন্না ফাজিনখ্রবা পুলিস পর্সনেলশিংগী মশাদা ঈ তৈবা অমদি মকোক্তা বেন্দেজ য়েৎপগী খুদম উবা ফংখি।

অমরোমদা পাকিষ্টানগী ইন্তরিয়র মিনিষ্টর শৈখ রসিদ অহমদনা ফোঙদোকখিবদা টি এল পিগা ৱারী শান্নরবা মতুং য়াশিন্নবা পুরকপদগী ফাজিন্দুনা থমখিবা পুলিস পর্সনেল ১১ ঙসি অয়ুক অঙনবদা থাদোরকখ্রে। টি এল পি অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফিসরশিংগী মরক্তা অহানবা রাউন্দগী ওইনা শান্নখিবা ৱারী অদু মায় পাকখি হায়রি।

# ইরাক্তা চথরকখিবা রোকেট এটেক্তা মীওই ৫ শোক্লে

সমারা, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী) :

ইরাক্তা লৈবা য়ু এস ত্রুপশিংগী বেজদা ঙরাং রোকেট ৫ না টার্গেট তৌরকখি। মদুগী মনুংদা প্রোজেক্তাইল অনী অমেরিকান মেন্টেনেন্স ফর্মদা তাশিন্দুনা পোকখায়খি। মদুদা ফোরেনর অনী য়াওনা ইরাকলাম্মী ৩ শোকখ্রেহায়না সেক্যুরিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

বাঘদাদকী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা বলাদ এয়র বেজদা রোকেট টার্গেট তৌরকখিবনি। মদুগী মনুংদা বেজ অদুগী দোর্মিটরি অমসুং য়ু এস কম্পনি সেলিপোর্দকী কেন্টিনদা য়ৈশিন্দুনা পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। এটেক অদু কনানা চথরকখিবনো হায়বদুগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি কনাগুম্বা অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি।

অদুবু য়ুনাইটেদ ষ্টেটনদি এটেক অদু ইরানগা মরী লৈনবা ইরাক্কী গভর্ণমেন্টকী ফেক্সনশিংনা চথরকপা ওইরমগনি হায়রি। বলাদ এয়র বেজদা এফ-১৬ এয়র ক্রাফট লৈ অমদি মেন্টেনেন্স কম্পনি কয়া অমসু এয়র বেজ অদুদা লৈরিবনি। চহী অসিগী অঙনবা থাদগী য়ু এসতা জো বাইদেনগী অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেসন অমা লাকখ্রবা মতুং ইরাক্তা লৈবা য়ু এস লাম্মীশিংগী কেম্পতা এটেক চথবগী মশীং হান্নদগী কা হেন্না হেনগৎলক্লি। বলাদতা চহী অসিগী মনুংদা এটেক চথরকখিবা অসি হন্দক্কী অসি থারগা ৪ রক শুবনি। ইরাক গভর্ণমেন্টনা ঙসিগী থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অসিগুম্বা মখলগী এটেকশিংনা লৈবাক অদুগী সেক্যুরিটিদা চৈথেং পীবা ঙল্লোই হায়রি।

# 'ম্যান্মার মিলিটরিশিংনা ফাজিন্দুনা থম্লিবা মীওইশিংগী মথক্তা ওৎ নৈবগী থবক চথুরি'



নেপিদো, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী) :

ম্যান্মারদা লৈবা মোনিটরিং গ্রুপ অমনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদগী ম্যান্মার মিলিটরিনা কু তৌদুনা মীয়ামগী গভর্ণমেন্টপু ইন্থুখ্রবা মতুং মিলিটরি জুন্টা অমুক হন্না লাকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লিবা মীওই কয়া ম্যান্মার মিলিটরিনা ফাজিন্দুনা থম্লি।

ফাজিন্দুনা থম্লিবা মীওইশিং অদুবু মিলিটরিনা কা হেন্না ওৎ নৈবগী থবক চথুরি হায়না মোনিটরিং গ্রুপ অসিনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ইন্তরনেস্নেল কম্যুনিটিশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীদ্রবদি মখা তানা মীশি মীনাগী থৌদোক কয়া লৈবাক অসিদা থোক্লুবা য়ানা লৈরি।

ফেব্রুৱারী থাদগী হৌরগা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংশিংদা ম্যান্মার মিলিটরিনা মীয়াম তম্না নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৭৩৭ শিখ্রে। অদুগা ৩,২২৯ রোম ফাজিন্দুনা থম্লি। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তসু য়ানকিনদগী মীওই ৬ ম্যান্মার মিলিটরিনা ফাজিনখি।

মিলিটরিগী মায়কৈদগীদি মীওই ৬ অদু হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী পুং ২ তাবা মতমদা য়ানকিন গভর্ণমেন্ট ওফিসতা বোম পোকখায়হনবদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি। মীওই ৬ অদুনা গভর্ণমেন্ট ওফিস মনাক্তা বোম পোকখায়হন্দুনা ম্যান্মার মিলিটরি কয়া অশোক অপন নংহনখি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু মখা তাবা অকুপ্পা মরোলদি মীয়ামদা ফোঙদোকপা লৈতে।

ম্যান্মারদা হৌজিক হৌজিক মিলিটরিনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া ফাদুনা ওৎ নৈবগী থবক চথুরি। ঙরাং ফাজিনখিবা মীওই ৬ অদুগী পিকচর মিলিটরিনা চলাইবা টি ভি চেনেল অমদা উৎলকখি। মখোয়শিং অদুগী ফীভম কা হেন্না শোকচিল্লে হায়বসি অউবা খুদিংমক্লা খঙনখি।

অদুমওইনমক ম্যান্মার মিলিটরিগী মায়োক্তা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা ফোঙনা খোল্লাও লাউবা ঙম্নদ্রি। মখোয়গী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লুবা মীওইশিং ফাদুনা ওৎ নৈবা নৎত্রগনা হাৎপগী থবকশিং চথুদুনা খোঙজংলোয়শিংদা কিহল্লি। অদুবু ম্যান্মারদা হৌজিমক্কী ওইনদি মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনবদা হনবা লৈত্রি।

# টাইৱানদা মেগনিচুদ ৬.২ য়ৌনা য়ুহা হাখ্রে

টাইপৈ, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী) :

টাইৱানদা ঙরাং মেগনিচুদ ৫.৮ য়ৌনা য়ুহা হাখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা মেগনিচুদ ৬.২ গী চাংদা য়ুহা হাখ্রে হায়না আইলেন্দ অদুগী ৱেদর ব্যুরোনা ফোঙদোরক্লি।

ৱেদর ব্যুরো অসিনা ফোঙদোকখিবা মতুং ইন্না থংনা থংননা অনীরক য়ুহা হাখিবা অদুদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি কা হেন্না অমাং অতা থোকপগী পাউ লৈত্রি। অহানবগী ওইনা টাইপৈগী হুৱালিয়নদা ইপিসেন্তর ওইরগা য়ুহা অদু হাখিবনি। লৈমায়দগী কিলোমিটর ১৫ লুবা মফমদগী য়ুহা অদু হারকখিবনি।

টাইৱানগী মী কা হেন্না তাদবা চীংনা কোয়শিনবা মফম অদুদা অহানবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। মেগনিচুদ ৫.৮ য়ৌনা হাখিবা য়ুহা অদু লোয়খ্রবা মতুং মিনিট ৩ লোম লৈরগা হায়রিবা মফম অদুমক্তদগী কিলোমিটর ১৪ লুবা মফমদা ইপিসেন্তর ওইরগা মেগনিচুদ ৬.২ য়ৌনা য়ুহা হারকখিবনি। য়ুহা হাবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা আইলেন্দ অদুদা লৈরিবা হায় স্পিদ রেল লাইনদা থোইদোক্লা অকায়বা পীখিদে। রেল লাইন অদু টাইৱানগী ৱেষ্টর্ন কোজ ফাওদুনা চেল্লিবনি। টাইপৈ সিটি গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখিবদসু সবৱে সিষ্টেমশিংসু য়ুহা হাবগী থৌদোক অদুদা ইফেক্ট তৌখিদে। পনবা য়াবদি টাইৱান মালেমগী য়ুহা হাগনবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি।

# নাইজরদা খূৎলাই পায়বশিংনা মীওই ১৯ কাপ্তুনা হাৎখ্রে

মালি, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী) :

নাইজরগী মনুং চনবা গাইগোরৌ খুঙ্গংদা ঙরাং মোটোর বাইক কয়াদা লাকখিবা খূৎলাই পায়বা মীওইশিংনা খুঙ্গং অদুবু কোয়শিল্লবা মতুং মীওই ১৯ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না টিলাবেরি রিজনগী গভর্ণরনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা গভর্ণর ইব্রাহিম টিদজানি কটিয়ালানা ফোঙদোকখিবদা এটেক্করশিং অদু মালিরোমদগী লাকখিবা মাল্লি। ইলাবেরি রিজন অসি খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথিবা মফম অমা ওইরি। মফম অসি নাইজর, মালি অমসুং বুরকিনা ফাসোগী তাইনবা ঙমখৈদা লৈবা মফম অমনি।

মফম অসিদা মরু ওইনা আই এস আই এল (আই এস আই এস) গ্রুপশিংনা য়াম্না তোয়না এটেক চথুরি। মমাং থাদসু মোটোর বাইক তোংদুনা লাকখিবা খূৎলাই পায়বা মীওই কয়ানা রিজন অদুদা এটেক চথুদুনা মীওই ১১ হাৎখি হায়রি।

# য়ু এসতা লৈবা এদল্টশিংগী চাদা ৫০ হেন্না কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রে: রিপোর্ট

ৱাশিংটন, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী) :

য়ু এসতা লৈরিবা এদল্টশিংগী মনুংদা চাদা ৫০ হেন্না কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপখ্রে হায়না গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোরকখ্রে। লৈবাক অদুদা লৈরিবা মশাগী চহী ১৮ শুরবা অমদি মদুগী মথক্তা লৈবা মীওই মিল্লিয়ন ১৩০ রোম কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রে হায়না গভর্ণমেন্টকী দেটা অমনা ফোঙদোরক্লি।

মালেম শিনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোরোনা ভাইরসনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবা লৈবাক অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা ওইরি। লৈবাক অদুদা ওইরক্লিবা কোভিদ পেন্দামিক্কী অকিবা মশক অদুবু লাকশিন্নবা য়ু এস ওথোরিটিশিংনা অকনবা মওংদা হোৎনরি। মখা তানা লেমহৌরিবা মীওইশিংসু কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্নবা মরী লৈনবশিংনা হোৎনরি। পনবা য়াবদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অদুদা কোরোনা ভাইরসনা শিহনখিবা মী মশীং ৫,৮১,০৮৬ শুখ্রে। লৈবাক অদুদা কোরোনাগী এক্তিভ কেস মশীং ৬,৮৬৫,৮২৫ লৈরি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

# ৱেষ্টর্ন গভর্ণমেন্টশিংনা মুস্লিমশিংবু লান্না উহন্নবা হোৎনরি



ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী) :

ৱেষ্টর্ন গভর্ণমেন্টশিংনা ইস্লাম লাইনিং চৎপা মুস্লিম ফুরুপ্পু মতম লৈবা পুম্নমক্তা মীয়াম মমাংদা লান্না উহন্নবা হোৎনরি হায়না পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খাননা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মুস্লিমনা নম্না খুন্দাবা লৈবাকশিংনা ৱেষ্টর্ন গভর্ণমেন্টনা চথরক্লিবা থৌওংশিং অসি থিংবগী মতম ওইরে হায়রি।

ঙসি ইস্লামাবাদতা পাঙথোকপা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমদা ৱা ঙাঙলদুনা লুচিংবা অসিনা ফোঙদোকখিবদা প্রোফেট মহমদকী মতাংদা ৱেষ্টর্ন গভর্ণমেন্টশিংনা অরানবা ৱাফম কয়া শন্দোরক্লিবা অসি থিংনবগীদমক মুস্লিম্না নমনা খুন্দবা লৈবাকশিংদা চত্তুনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শারগনি। অমদি ৱেষ্টর্ন গভর্ণমেন্টশিংনা চথরক্লিবা থৌওংশিং অসিগী মায়োক্তা কেম্পেইন চথবা হৌরগনি। ৱেষ্টর্ন গভর্ণমেন্টশিংনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম কয়া অদুনা ইস্লাম লাইনিং চৎপা মীওইশিংগী ৱাখল্লোনদা চাওনা অকায়বা পীরি। মরম অদুনা মসিগী মায়োক্তা লেপ্পগী মতম ওইরে।

# জেলদা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লিবা ক্রেম্লিন ক্রিটিক নভালনি ট্রিটমেন্ট চত্থনবগীদমক হোস্পিটালদা পুরগনি

মোস্কো, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী) :

মমিং লৈরবা রুসিয়াগী ওপোজিসন লিদর এলেক্সে নভালনি জেল মনুংদা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লিবা অদুনা মরম ওইরগা মহাক্কী হকচাংগী ফীভম শোকচিল্লকপদগী হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট চত্থনবগীদমক পুরগনি হায়না রুসিয়াগী প্রিজন সার্ভিসনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

প্রো দিমোক্রেসি প্রোটেষ্ট অমদা শরুক য়ারুবগীদমক রুসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা ওইরিবা ক্রেম্লিন ক্রিটিক এলেক্সে নভালনিবু রুসিয়ন ওথোরিটিনা ফাজিন্দুনা জেলদা থম্লকখিবনি। জেল মনুংদা নভালনিনা মহাক্কী হকচাংগী ট্রিটমেন্ট মপুং ফানা চত্থবিদ্রে হায়না ওথোরিটিশিংদা খঙহনখি।

অদুম ওইনমক জেল ওথোরিটিনা মহাক্কী কমপ্লেন অদুবু সেরিয়স ওইনা লৌদবদগী পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা জেল মনুংদা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনবা হৌখিবনি। চয়োল অহুমলোম চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনখিবা অদুনা মরম ওইরগা নভালনিগী অরুম্বা কা হেন্না হন্থরকখিবনি।

নভালনিগী ডোক্টর অমসুং লোয়রশিংনা মহাক্কী হকচাংগী ফীভম তম্বা ঙমদ্রে হায়না জেল ওথোরিটিশিংদা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাকপু হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট চত্থনবা দিমান্দ তৌখিবনি। মদুগী মতুং প্রিজন সার্ভিসনা মহাকপু হোস্পিটালদা পুদুনা ট্রিটমেন্ট চত্থরগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।



চহী অসিগী ফেব্রুৱারীগী অঙনবদা রুসিয়ন ওথোরিটিনা নভালনিবু ফারবা মতুং জেলদা থম্লকখিবনি। ঙসিদগী চহী ২ রোমগী মমাংদা এন্টি করপসনগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা খোঙজং অমদা শরুক য়ারুবগীদমক মহাকপু ফাজিনখিবনি। চহী অনী হৌখ্রবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মহাকপু ফাজিনবা হায়বসি মরম চাদে হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্নরক্লি। অদুমওইনমক মহাকপু জেলদগী থাদোকপগী ৱাফমদি হৌজিকসু লৈত্রি। অমরোমদা রুসিয়াগী প্রিজন সার্ভিসনা মহাকপু হোস্পিটালদা পুরগনি হায়বগী চপ চানা থাজবা পীরকপদি লৈত্রি হায়না নভালনিগী গ্রুপনা ফোঙদোরক্লি।

## কোভিদ-১৯ না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 38,40,000 +68,631 | 31,10,000 +45,654 | 60,473 +503 |
| Kerala | 12,40,000 +18,257 | 11,40,000 +4,565 | 4,929 +25 |
| Karnataka | 11,60,000 +19,067 | 10,10,000 +4,603 | 13,351 +81 |
| Tamil Nadu | 9,91,000 +10,723 | 9,08,000 +5,925 | 13,113 +42 |
| Andhra Pradesh | 9,62,000 +6,582 | 9,10,000 +2,343 | 7,410 +22 |
| Delhi | 8,53,000 +25,462 | 7,66,000 +20,159 | 12,121 +161 |
| Uttar Pradesh | 8,52,000 +30,566 | 6,50,000 +9,041 | 9,830 +127 |
| West Bengal | 6,60,000 +8,419 | 6,00,000 +4,053 | 10,568 +28 |
| Chhattisgarh | 5,45,000 +12,345 | 4,11,000 +14,556 | 5,908 +170 |
| Rajasthan | 4,15,000 +10,262 | 3,44,000 +3,084 | 3,151 +42 |
| Madhya Pradesh | 4,08,000 +12,248 | 3,35,000 +7,495 | 4,557 +66 |
| Gujarat | 4,05,000 +10,340 | 3,38,000 +3,981 | 5,377 +110 |
| Odisha | 3,68,000 +3,664 | 3,46,000 +1,309 | 1,944 +2 |
| Haryana | 3,57,000 +7,177 | 3,11,000 +3,489 | 3,415 +29 |
| Telangana | 3,55,000 +4,009 | 3,14,000 +1,878 | 1,838 +14 |
| Bihar | 3,24,000 +8,690 | 2,78,000 +3,460 | 1,749 +27 |
| Punjab | 3,00,000 +4,900 | 2,58,000 +3,141 | 7,902 +68 |
| Assam | 2,24,000 +639 | 2,17,000 +159 | 1,135 +6 |
| Jharkhand | 1,63,000 +3,992 | 1,33,000 +1,551 | 1,456 +50 |
| Jammu and Kashmir | 1,47,000 +1,526 | 1,33,000 +963 | 2,057 +6 |
| Uttarakhand | 1,24,000 +2,630 | 1,05,000 +711 | 1,868 +12 |
| Himachal Pradesh | 76,375 +788 | 66,489 +526 | 1,190 +10 |
| Goa | 67,212 +951 | 59,277 +531 | 883 +11 |
| Puducherry | 47,771 +663 | 42,595 +282 | 708 +3 |
| Tripura | 34,034 +32 | 33,178 +15 | 394 |
| Chandigarh | 33,934 +625 | 29,896 +411 | 413 +3 |
| Manipur | 29,721 +72 | 29,090 +7 | 376 |
| Arunachal Pradesh | 16,987 +20 | 16,809 +3 | 56 |
| Meghalaya | 14,871 +73 | 14,038 +41 | 153 +1 |
| Nagaland | 12,555 +19 | 12,285 +10 | 94 |
| Ladakh | 12,131 +60 | 10,351 +84 | 133 |
| Sikkim | 6,696 +105 | 6,161 +11 | 136 |
| Andaman and Nicobar Islands | 5,390 +59 | 5,200 +54 | 64 |
| Mizoram | 4,904 +45 | 4,509 +26 | 12 |
| Dadra and Nagar Haveli and Daman and Diu | 4,803 +55 | 3,876 +53 | 4 |
| Lakshadweep | 1,051 +106 | 770 +5 | 1 |